HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

হুইয়েন লানপাউ

ক্ষেত্রিগাও এ সীগী এম এল এ নহাকপম ইন্দ্রজিৎকী মীৎয়েং মখাদা মহাক্কী লোয়নবী নহাকপম ওংবী রেখানা পোরোম্পাৎ থৱানথাবগী য়ুমথোঙ খুদিংদা চান-থক্নবা পোৎলমশিং খুৎশিন্নখিবা

যুঙাং অমদি য়ুঙৌ ফাবগী থবক লেপ্তুনা চথরি
☛ লামায় ২

ইমুং ১০,০০০দা মতেং পাংনবা পান্দম থম্লি: অমুকো
☛ লামায় ৩

মৈতৈ পাঙলশিংগী ওইবা ভেক্সিনেসনগী মতাংদা খন্নখ্রে
☛ লামায় ৬

নাগালেন্দদা মখা তানা থা ৬ দিষ্টর্ব এরিয়া লাউথোকখ্রে
☛ লামায় ৭

সন্ভেন ষ্টার য়ুথ ক্লব, খাঙবোক সোরোক ৱাংমনা মতেং পাংদুনা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন থৌবাল অমদি খাঙবোক পার্টৱানগী প্রধান নিংথৌজম মালানা শীন্দুনা পঞ্চায়ট ঘর অমসুং কম্যুনিতি হোলদা হীদাক কাপথোকখিবা

Vol. 45, Issue No. 096 | শগোলশেন, ইঙাগী ২২নি পানবা | অপুনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Thursday, July 01, 2021, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

কোভিদ-১৯না শিখিবশিংগী ইমুংদা এক্স গ্রেসিয়া পীনবগী গাইদলাইন শেম্নবা সুপ্রিম কোর্টনা খঙহনখ্রে

ন্যু দেল্লী, জুন ৩০ (এজেন্সী) : লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী ৱাংলবা ৱায়েলশঙ অমা ওইরিবা সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াগী জষ্টিস অশোক ভুশন অমসুং জষ্টিস এম আর শাহগী বেঞ্চ অমনা পীখিবা লেন্দ মার্ক জজমেন্টনি হায়বা য়ারবা ওর্দর অমদা লৈবাক অসিদা হৌজিক ফাওবদা কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী লৈহৌরিবা ইমুংগী মীওইশিংনা এক্স গ্রেসিয়া কম্পেন্সেসন পীনবগী গাইদলাইনশিং শেম্নবা নেসনল দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওথোরিটি (এন দি এম এ) দা দিরেক্সন পীখ্রে।

কোর্ট অসিগী জষ্টিস অনীনা শাবা বেঞ্চ অসিনা ঙসি পীখিবা ওর্দরশিং অদুনা ফোঙদোকখিবশিংগী মনুংদা লায়না অসিনা মরম ওইদুনা লৈখিদ্রবা মীওইশিংদা এক্স গ্রেসিয়াগী শেনফমগী তেংবাঙ য়াওনা মিনিস্মম ষ্টেন্দর্দকী রিলিফ পীবা হায়বসি দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট এক্টকী সেক্সন ১২দা য়াওই। হায়রিবা সেক্সন অসিনা পীরিবা প্রোভিজনশিং অদু এন দি এম এনা থবক্তা ওন্থোক্কদবনি। হায়রিবা থবক অসি এন দি এম এগী মায়কৈদগী দিসক্রিস্নরি ওইবা থবক নত্তে হায়খি।

লোয়ননা এপেক্স কোর্ট অসিনা পীখিবা ঙসিগী ওর্দর অদুদা য়াওরিবা দিরেক্সনশিংনা লৈখিদ্রবা মীওইশিং অদুদা পীখিবা মখোয়গী দেথ সর্টিফিকেটশিং অদুদা লৈখিদবা নুমিৎ অমসুং কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা লৈখিদবনি হায়বসি

ময়েক শেংনা পনগদবনি। করিগুম্বা লায়না অসিনা মরম ওইদুনা লৈখিদবা মীওইশিংগী মনুংদা মখোয়দা পীরিবা দেথ সর্টিফিকেট অদু করিগুম্বা লৈখিদ্রবা মীওই অদুগী ইমুংগী মায়কৈদগী অপেনবা ওইদ্রবদি মদুবু চুমথোক্নবগী খুদোংচাবসু পীগদবনি হায়খি।

করিগুম্বা নেসনল দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওথোরিটিগী মায়কৈদগী কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী ইমুংদা পীফম থোক্লিবা এক্স গ্রেসিয়া কম্পেন্সেসনগী শেনফম য়াওনা খ্বাইদগী অনেম্বা থাক্কী রিলিফনচিংবা পীদ্রবদি থৌওং অদু নেসনল ওথোরিটি অসিগী মায়কৈদা ফেল ওইরবা থবকনি হায়দুনা লৌগনি হায়রি।

মরম অসিনা দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট এক্ট, ২০০৫গী সেক্সন ১২না পীরিবা শোয়দনা থবক্তা ওন্থোক্কদবা প্রোভিজনশিং অসিগীদমক এন দি এম এনা গাইদ লাইন অমা শেমগদবনি। অদুম ওইনমক কোভিদ-১৯ পেন্দমিকনা মরম ওইদুনা লৈখিদ্রবা মীওইশিং অদুদা কয়াম য়াম্বা চাংদা মখোয়গী ইমুংদা এক্স গ্রেসিয়া কম্পেন্সেসনগী পেমেন্ট পীগদগে হায়বদুদি নেসনল দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওথোরিটিনা লেপচগদবনি হায়বা ৱাফমসু ঙসিগী ওর্দর অদুনা য়াম্না ময়েক শেংনা পনখি।

লোয়ননা লৈখিদ্রবা মীওইশিংদা হায়রিবা এক্স গ্রেসিয়া কম্পেন্সেসনগী শেনফমশিং পীনবগীদমক শেমগদৌরিবা গাইদলাইনশিং অসিসু কোর্টনা ঙসি পীরিবা ওর্দর অসিদগী পারগা থা ৬কী মনুংদা শেমগদবনি হায়নসু সুপ্রিম কোর্টনা খঙহনখি।

পনবা য়াবদি, মালেমগী অতোপ্পা লৈবাকশিংদসু পাক শন্না শন্দোরকপগুম্না লৈবাক অসিদসু নোভেল কোরোনাভাইরস (কোভিদ-১৯)গী পেন্দমিক অসিগী অহানবা অমসুং অনীশুবা ৱেভনা শাথীনা শোকহল্লক্তুনা মীশি-মীনা মশীং য়াম্না য়াওহল্লকপদগী এপেক্স কোর্ট অসিদা লায়না অসিনা মরম ওইদুনা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী ইমুংদা লুপা লাখ ৪/৪গী এক্স গ্রেসিয়া কম্পেন্সেসন পীহনবীয়ু হায়দুনা পিটিসন অমা ফাইল তৌরকখিবনি।

পিটিসন অদুদা কোভিদ-১৯ খক্তনা শিহনখিবা মীওইশিংগী মথক্তা লায়না অসিনা নাহল্লবা মতুংদা থোরকখিবা ম্যুকোরমাইকোসিস য়াওনা অতৈ মায়োক্ল হল্লক্লিবা কোভিদ কমপ্লিকেসনশিংনা মরম ওইদুনা শিখিবা মীওইশিংসু কোনশিনগদবনি হায়রকখিবনি।

নেসনল ডোক্টর্স দে
‘ডোক্টরশিংবু নুংশিবীয়ু, অনাবা লায়েংবনা ডোক্টরশিংগী মথৌনি’

ডা. সাধনা নিংথৌজম

ডা. লাইময়ুম রোমেশ

ডা. সীঐচ দেবেশ্বর

ইম্ফাল, জুন ৩০ (ঐচ এন এস) : ঙসি ফাওবা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক লায়না লাইচৎনা খম থেংনা অচৌবা চৈথেং অমা পীবগা লোয়ননা মীওই কয়াগী থৱায় মাঙহনখ্রে। লৈবাক অসিদসু লাইচৎ অসিনা অচৌবা চৈথেং পীরি। অদুবু লৈবাক অসিগী ডোক্টরশিংনা লাইচৎ অসি থেংননবগীদমক অহীং-নুংথিল খাত্তুনা মশাগী থৱায় ফাওবা থাদোক্তুনা লৌরিবা থৌদাংশিং তশেংনমক থাগৎনিংঙাইনি। তশেংনা ডোক্টরশিং অসি লাইনি হায়রনরম্বা ৱাফম অদু ঙসি ঐখোয় পূম্নমক্না ময়েক শেংনা উবা ফংলে হায়বা য়াই। লমদম অসিগী ডোক্টরশিংনা লৌরিবা থৌদাং অঙকপনি। ‘নেসনল ডোক্টর্স দে’গা ইরোইননা ডোক্টর খরনা পাউচে অসিদা মখোয়গী পুক্নিংগী ওইবা ৱাফম কয়া ফোঙদোরকপগী মনুংদা এস টি সী, লম্ফেলপাৎতা ইপিদেমিওলোজিষ্ট অমা ওইনা থৌ পুরিবী ডো. সাধনা নিংথৌজমনা হায়, ডোক্টরশিংগী নুমীৎ অসিগা মরী লৈননা ঐহাক্না মীয়ামদা য়াম্না খঙহঞ্জনিংবা ৱারী মতেক্তি মতম অমদা মণিপুরগী মীয়াম্না থোইদোক্না শকখঙখিবা সর্জন ডো. নন্দো রোয়গা ডো. বি সী রোয়গা নক্না লোয়নখিবগী পরিংদা নীংশিংনিংঙাই ওইরবা থৌদোক অমগী ৱারী লৈখি। ডো. নন্দো রোয়না কোলকাটাদা হাউসমেন

...মখা লামায় ৩ কলম ৬

নরানকোঞ্জিন্দা মাস ভেক্সিনেসন

ইম্ফাল, জুন ৩০ (ঐচ এন এস) : ঙসি অয়ুক পুং ১০দগী নুংথিল পুং ৪ ফাওবা নরানকোঞ্জিন মমাঙ লৈকায়গী কম্যুনিতি হোলদা সী এম ও ইম্ফাল ৱেষ্টকী মখাদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ৱাঙ্গৈইগী এস দি ও অমদি লিলোং চজিংগী এস দি সীগী মখাদা মাস ভেক্সিনেসন কম এৱ্যেন্সে প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে।

...মখা লামায় ৩ কলম ১

এক্সিদেন্ট য়াওনা মীওই ৪ লৈখিদ্রে

ইম্ফাল, জুন ৩০ (ঐচ এন এস) : ঙসি নুংথিল পুং ৩.৩০ রোম তারকপদা ককচীং পি এসকী মনুং চল্লিবা পল্লেলগী থোং অনৌবগী থোঙখোংদা ৪০৭ মিনি ত্রক অমগা বুলেট অমগা থেঙ্গাইনবদা বুলেটতা লাকপা মীওই অনীমক লৈখিদ্রে। লৈখিদ্রবশিংদি থম্নাপোকপী ভিলেজদগী টি ঐচ অংসেলতোং লমকাং (২২) অপোকপা টি ঐচ বেতোই লমকাং অমসুং খোমসালেম কাংতেন (১৮) অপোকপা রোমিওনি হায়রি।

অমরোমদা, থা অসিগী ২৮গী নুংথিলদা নাওপুরকপা অঙাং হিংহন্দনবগীদমকনি হায়দুনা কবেৰে মহী থক্লুবীনি হায়বা ওইনাম অৱাং লৈকায়দগী ক্ষেত্রিময়ূম রোমেনগী লোয়নবী ইচন (৩৫) রিমসতা পুখৎলক্তুনা লায়কন্নবদা কনবা ঙমদনা ঙরাং লৈখিদ্রে হায়রি।

অমরোমদা ঙসি নুমিদাংৱাইরম পুং ৬.১০ রোম তারকপদা মালোমগী ওইল দিপোট মনাক্কী মেরিদিয়ন্দা থোমজিনবদা অলটো কার থৌরকখিবা সলুংফমদগী জিতেন ফুরিৎশাবম (৪৪) অপোকপা পি ঐচ পান্দম লৈখিদ্রেয় হায়রি।

অরোইবা ৱার্নিং পীখ্রে

ইম্ফাল, জুন ৩০ (ঐচ এন এস) : তমেংলোংদা লৈবা এম/এস থোমসন ইন্দেনগী মপুনা সঙাকফমগী পাওমৈ কোলোনিদা লৈবা ময়ূমদা লিক ওইরবা গ্যাস য়াওবা এল পি জি সিলিন্দরশিং লোন্না থমজিল্লন্নবু সী এ এফ এন্দ পি দিগী ওফিসলশিংনা অমুক্না হন্না অরোইবা ৱার্নিং তৌদুনা মতুংদা তৌদনবা খঙহনখ্রে।

হায় কোর্টনা ইম্ফাল ইষ্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নরদা জুলাই ৬ ফাওবদা চনৈনহনগদবা থবক তৌদনবা দিরেক্সন পীখ্রে

ইম্ফাল, জুন ৩০ (ঐচ এন এস) : ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ৱাংখৈ এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী ফেয়র প্রাইজ শোপ এজেন্ট/এস কে ওইল দিল্লরশিংগী মরক্তা থোরকপা ৱাথোক হেন্না চাওথোরকপগা লোয়ননা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী দেপ্যুটি কম্মিস্নরনা থা অসিগী ২৬তা থোকখিবা ওর্দর অমগী মায়োক্তসু হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ৱাকৎলকপদগী কোর্টনা মথং থাগী ৬ ফাওবগী মনুংদা সিভিল রিট পিটিসন অনীমক্তা চনৈনহনগদবা থবক থৌরম অমত্তা পায়খৎতনবা দিরেক্সন পীখ্রে।

হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা এ সী অসিগী এফ পি এস এজেন্ট/সব দিল্লর কাঙবু অনীমক্না ফাইল

ৱাংখৈ এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এফ পি এস এজেন্ট/এস কে ওইল দিল্লরশিংগী ৱাথোক

তৌরকখিবা রিট পিটিসনশিংনা মথংশিংনা নম্বর ৪২২ ওফ ২০২১ অমসুং ৪৪৮ ওফ ২০২১নি। অহানবগী সিভিল রিট পিটিসন অসিনা এ সী অসিগী হান্নদগী এফ পি এস এজেন্ট/এস কে ওইল দিল্লরশিং ওইরকখিবা অদুগা মখোয়না হায়রিবা এজেন্ট/দিল্লর ওইবগী মতম লোইরকপদগী দেপ্যুটি কম্মিস্নরনা ওফিসল ওইবা ওর্দর অমা থোক্লগা লৌথোকখ্রবা কাঙবুনি।

অহানবগী এজেন্ট/দিল্লরশিংনা দল্লিয়ু পি (সী) নম্বর ৪২২ ওফ ২০২১ অসি হায় কোর্টতা ফাইল তৌরদুনা হায়রক্লিবনা মখোয়গী মতম শুদুনা লৌথোরক্লবসু হায়রিবা মতম অদু শুদ্রিঙৈগী মাঙওইননা মখোয়না এজেন্ট/দিল্লর ওইনবগী মতম শাংদোকহনবীনবা অইবা চেপীশিন্দুনা হায়জবা লৈখি। অদুবু মখোয়না হায়জখিবশিং অদু তাবীদনা অনৌবা নোটিশ থোক্তুনা এপ্লিকেসনশিং কৌরবা মতুংদা অনৌবা মখোয়গী মহুত্তা এজেন্ট/দিল্লরশিং হাপচিনখিবনি। অদুগা অনৌবা হাপচিনখিবা মতমদসু পাঙথোকফম থোকপা চৎন-কাঙলোনশিং রুলগী মতুংইন্না পাঙথোকপীখিদে হায়বসিনি।

অদুগা কোর্ট অসিদা ফাইল তৌরক্লিবা অনীশুবা পিটিসন ওইরিবা দল্লিয়ু পি (সী) নম্বর ৪৪৮ ওফ ২০২১ অসিনা হায়রিবনা মসিগী পিটিস্নর ওইজরিবা মখোয় মে ১৯, ২০২১দা থোরকখিবা ওর্দরগী মতুংইন্না নৌনা ৱাংখৈ এ সীগী এজেন্ট/সব দিল্লরশিং ওইনা খনখিবনি। মখোয়বু খনখিবগী ওর্দর অদুগী নম্বরনা ৩/১/২০১৪-দি এস ও (সী এ এফ এন্দ পি দি/ইম্ফাল ইষ্ট) নি হায়বসিনি।

হায়রিবা ওর্দর অসিগী মতুংইন্না নৌনা

...মখা লামায় ৩ কলম ২

কর্ফিয়ুগী অথিংবা জুলাই ১০ ফাওবা শাংদোক্লে থবক থৌরমশিং খরা হেন্না কোমথোক্লে

ইম্ফাল, জুন ৩০ (ঐচ এন এস) : মণিপুরদা হৌজিক মায়োক্লরিবা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্কী সেকেন্দ ৱেভকী ফীভমশিং অসিগী মতুংইন্না ষ্টেট অসিদসু লাইচৎ অসিবু লাকশিন্নবগীদমক মে ৭, ২০২১দা ষ্টেট দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওথোরিটিগী ষ্টেট এগজিক্যুটিভ কম্মিটিগী চেরপর্সননা দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট এক্ট, ২০০৫গী সেক্সন ২০ (২) (এ) অমসুং সেক্সন ২২গী মতুংইন্না ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্ট য়াওনা দিষ্ট্রিক্ট ৭তা থল্লকখিবা কর্ফিয়ুগী অথিংবশিং মথং থাগী ১০ ফাওবা নুমিৎ ১০নিগী ওইনা শাংদোকহনখ্রে। মসিগী মতাংদা ঙসি ষ্টেট দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওথোরিটিগী ষ্টেট এগজিক্যুটিভ কম্মিটিগী চেরমেনসু ওইরিবা চীফ সেক্রেটরিনা ওর্দর থোকখ্রে।

শাংদোকহল্লিবা মতম অসি ফাওবা ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইষ্ট, বিষ্ণুপুর, থৌবাল, ককচীং, চুড়াচান্দপুর অমসুং উখ্রুলদা থল্লকখিবা কর্ফিয়ুগী অথিংবশিং লৈখিগনি হায়রি। ওর্দর অসিনা হৌখিবা মে থাদা থেংনখিবা কোভিদ-১৯গী ফীভম অদুদগী ফগৎলক্লগাসু পেন্দমিক অসিবু লাকশিন্নবগীদমক মাস ভেক্সিনেসন তৌবগী তঙাইফদবা লৈরিবনা কর্ফিয়ুগী অথিংবা অসি শাংদোকহল্লকপনি হায়রি। অদুম ওইনমক থা অসিগী ১১দা থোকখিবা ওর্দর অমসুং মদুনা পীখিবা মোদিফিকেসনশিং অদুগী মথক্তা এগ্রিকলচর, হোর্টিকলচরগী থবক থৌরমশিং কোমথোক্লগনি। ফর্টিলাইজর, মরূ-মরাং, তীল হীদাক, মেকানিকেল টুলনচিংবা য়োনবা দুকানশিং কোনশিল্লরোই। গভর্ণমেন্ট ওফিসশিংগী মনুংদা এগ্রিকলচর, হোর্টিকলচর, এন আর ঈ জি এগী থবক থৌরমশিং কোমথোক্কনি। থঙ্গাল অমসুং পাওনা কৈথেলগী ৱাংমদা লৈবা ষ্টেস্নরি অমসুং ওপটিসিয়নশিং গ্রোসরি দুকানশিং থিংলবা মতুং অয়ুক পুং ১০দগী নুংথিল পুং ২ ফাওবগী মনুংদা হাংবা য়াগনি। অদুগা ভেজিটেবল ভেন্দর/গ্রোসরি দুকানশিংনা মথং থাগী ১, ৪, ৭ অমসুং ১০দা অয়ুক পুং ৭তগী ১০ ফাওবা হাংবগা লোয়নন মরী লৈনরিবা দি সী অমসুং এস পিশিংনা ওর্দর অসিবু থবক্তা ওন্থোক্নবা মথৌ তাবা থবকশিং পায়খৎকদবনি হায়রি।

বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ষ্টেট এগজিক্যুটিভ মীফম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ৩০ (ঐচ এন এস): বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ষ্টেট এগজিক্যুটিভ মীফম ঙসি নিত্যাইপাৎ চুথেক্তা লৈবা পার্টি অসিগী ওফিসতা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট এ শর্দা, চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন, বি জে পিগী নোর্থ ইষ্ট ইন-চার্জ অজয় জমৱাল, বি জে পিগী নেসনল স্পোক্সপর্সন অমসুং মণিপুর ইন-চার্জ ডা. শম্বিট পাত্রা অমদি বি জে পি মণিপুরগী ষ্টেট জেনরেল সেক্রেটরি ওর্গনাইজেসন অভেগিরিনা দেজ মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি। মীফম অদুদা বি জে পিগী মিনিষ্টরশিং, এম এল এশিং, বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ওফিস বিয়ারর, মোর্চাগী প্রসিদেন্টশিং, দিষ্ট্রিক্ট প্রসিদেন্টশিং, দিপার্টমেন্টকী ইন-চার্জশিংসু শরুক য়াখি।

মীফম অদুদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট এ শর্দানা লাক্কদৌরিবা মীখলদা পার্টি অসিবু চাউনা মায় পাকহন্ননবা হোৎনবদা পার্টিগী ৱার্করশিংনা বুথ লেভেলদগী হৌনা থবক তৌনবা আপীল তৌখিবগা লোয়ননা মিনিষ্টর, এম এল এশিংনসু পার্টিগী থবক থৌরমশিংদা হেন্না শরুক য়াননবা ৱাফম থমখি হায়রি।

চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননসু লৈঙাক অসিনা মীয়ামগী য়াইফনবা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা ৱার্করশিংনা মীয়ামদা মমুৎ তানা খঙহন্ননবা হোৎনসি হায়বা ৱাফম থমখি হায়রি।

অহানবা ভেক্সিন লোইনা কাপথোকপা এ সীদা লুপা লাখ ২০গী মনা পীরগনি : বিরেন
পোজিটিভ কেস ৫৯২ থেংনখি, মীওই ৯ লৈখিদে

ইম্ফাল, জুন ৩০ (ঐচ এন এস) : মণিপুরগী এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিশিংগী মনুংদগী ইহান হান্না কোভিদ ভেক্সিন লোইনা কাপথোকপা এ সীদা লুপা লাখ ২০গী শেলগী মনা পীরগনি হায়না চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লাউথোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি ষ্টেট অসিগী এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি পূম্নমক্তা চথুরক্লিবা মাস ভেক্সিনেসন দ্রাইভপু পূক্নিং থৌগৎলদুনা খুরাই লমলোং কৈথেলদা মোবাইল ইন্সুলেটেদ ভেক্সিনেসন বস লোঞ্চ তৌবগী থৌরমদা চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবনি। হায়রিবা মোবাইল ইন্সুলেটেদ ভেক্সিনেসন বস অসি খুরাইগী এম এল এ এল সুসিলদ্রো মৈতৈনা দোনেট তৌরকপনি হায়রি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা চীফ মিনিষ্টরনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মখাদা লৈবাক অসিনা মালেমগী লৈবাকশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী চাউবা ফ্রী ভেক্সিনেসন দ্রাইভ চথুবা লৈবাক অমা ওইরক্লে। কোভিদ-১৯ মায়োক্লনবগী অমত্তা ঙাইরবা খুৎলায়দি হীদাক কাপথোকপনি হায়রদুনা চীফ মিনিষ্টরনা তমথীরবা লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবগীদমক হীদাক কাপ্পা য়ারবা মীওই পূম্নমক্না হীদাক কাপথোকপীনবা অপীল তৌখি। লোয়ননা গভর্ণমেন্টনা পীবা গাইদ লাইন অমসুং কোভিদ এপ্রোপিএট বিহেবিয়রশিং মেন্টেন তৌগদবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা এম এল এ সুসিলদ্রোনা মশানা মখোঙনা থোংনা হীদাক কাপথোক্লবা মীওইশিংদা চেঙ কিলো ৫, হেন্দ সেনিটাইজর অমসুং ফেস মাস্ক পীরি হায়না ফোঙদোকখি।

কনাগুম্বা ইমুংশিংদা য়ামদ্রবদা মীওই ১০দগী তাদনা লৈরবদি মখোয়গী য়ূমশিংদা মোবাইল ভেক্সিনেসন বস অসিগী খুদোংচাবা ফংগনি

...মখা লামায় ৩ কলম ২

এম এল এ ১০ খক্তং চোংথোকপীরকউ, সী সী সী খূদিংমক্তা চানবা পীসি : জয়কিষন

ইম্ফাল, জুন ৩০ (ঐচ এন এস): লমদম অসিদা লৈরিবা এম এল এ, মিনিষ্টর ১০ খক্তং চোংথোকপীরকউ, পুন্না থবক তৌমিন্নদুনা মণিপুরগী কোভিদ ক্যের সেন্টর খূদিংমক্তা লৈরিবা অনাবশিংগী চান-থক্নবা পীসি হায়না থাংমৈবন্দ এ সীগী এম এল এ খুমুকচম জয়কিষননা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা কোভিদ ক্যের সেন্টরশিংদা মিলন ইন্টরপ্রাইজেস অমদি বজার কম্যুনিটিনা চান-থক্নবা তেংবাঙ পীরিবা অসিবু পূক্নিং থৌগৎপগা লোয়ননা এম এল এ খুমুকচম জয়কিষননা হায়খি, মিলন ইন্টরপ্রাইজেস, সৈত্যম গ্রুপ ইন্দষ্ট্রিজ অমদি বজার কম্যুনিটিনা কোভিদ ক্যের সেন্টরশিংদা লৈরিবশিংগীদমক লঞ্চ পেক পীদুনা ঙসি ফাওবা লাক্লিবা অসি থাগৎনিংঙাইনি। মসি মীওইবগী খ্বাইদগী চাউবা থৌগলনি। মসিদা পূক্নিং থৌগৎপা ওইনা ঙসিদগী কোভিদ ক্যের সেন্টরশিংদা লৈবা মীওই ১০০০ হেনবগী চানবা পীরিবা অসিদা চঙলিবা চেঙশিং ঙসিদগী তেংবাঙলগনি। চেঙশিং অসিসু মৈতৈ চেঙ ওইনা পীগনি। অদুগা অৱাৎ-অপা লৈরবসু অঙম্বা মতেং পাংগনি।

মহাক্না হায়খি, হৌজিক লৈঙাক্না কন্না হোৎনরবসু পোজিটিভ ওইবগী চাং হন্থদে। নোংমদা মীওই ৭০০কী চাংদা অদুম্মক ওইরি। অদুনা চেকশিন্দবা য়াদ্রি। মরম অসিনা কোভিদ ক্যের সেন্টরশিংদা লৈরিবশিং অসিগী চানবা নীংথিনা

...মখা লামায় ৩ কলম ৬

চুড়াচান্দপুর মেদিকেল কোলেজগী সেসন সেপ্টেম্বরদগী হৌরগনি

ইম্ফাল, জুন ৩০ (ঐচ এন এস) : চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী সিট ১০০গী কেপাসিটি লৈগদবা চুড়াচান্দপুর মেদিকেল কোলেজগী অহানবা সেসন চৎলিবা চহী অসিগী সেপ্টেম্বর থাদগী হৌবা ঙম্লগনি।

ৱাফম অসি ঙসি চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা দিষ্ট্রিক্ট অসিদা তোঙান তোঙানবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরেল প্রোজেক্টশিং শঙ্গাবগা লোয়ননা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী কোলেজ ওফ নর্সিং শাগৎনবগী উরেপ উয়ুং তমখিবগী থৌরমদা ফোঙদোকখিবনি।

চীফ মিনিষ্টরনা ঙসি শঙ্গাখিবশিংগী মনুংদা জি এন এম ত্রেনিং স্কুলগী গর্লস হোষ্টেল, মল্টিপর্পজ হোল, মিনি সেক্রেটেরিএট অমসুং সদভাবনা মান্দবনচিংবা য়াওখি। অদুগা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী এ দি সীদা গাড়ীশিংসু খূৎশিন্নখিবগা লোয়ননা পাক শন্না উ থাবগী থবকসু চথুখি। বন মোহোৎসবকী থৌরম দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মিনি সেক্রেটেরিএটকী দিষ্ট্রিক্ট ত্রেনিং সেন্টরদা পাঙথোক্লদুনা চীফ মিনিষ্টরনা হায়, গভর্ণমেন্ট অসি মীয়ামগীদমক্তনি অমসুং সেক্টর পূম্নমক্তা মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক চাওখৎ থৌরাংশিংগী থবক মতম পূম্বদা লৌখৎকনি। দিষ্ট্রিক্ট অসিদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর দিভেলপমেন্ট প্রোজেক্ট কয়া পায়খৎলে হায়খি।

মহাক্না সিংহাটতা লুপা ক্রোর ২৪ রোম চঙবা মোদেল স্কুল অমা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী লিংখৎখিবা, ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলদা এম্বুলেন্স অহুম য়েন্থোকখিবা অমসুং পি এস এ ওক্সিজেন প্লান্টনচিংবা হাংদোকখিবগী ৱাফম নৌহৌননা নীংশিংখি। বন মোহোৎসবকী মাস প্লান্টেসন দ্রাইভ হৌদোকপগী থৌরম য়াওনা মহাক্না দিষ্ট্রিক্ট অসিদা লাক্লিবসি তোঙান তোঙানবা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংগা খূৎশম্নদুনা থৌরম অসিগা মরী লৈনবা উ থাবগী থবক অসি পাঙথোক্লবনি হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অসিদা তোঙান তোঙানবা খুল ২০০ হেনবগী

...মখা লামায় ৩ কলম ৪

কেপাসিটি বিল্ডিং প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ৩০ (ঐচ এন এস) : মণিপুর ষ্টেট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি (মসলসা) গী মীৎয়েং মখাদা দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি দি এল এস এ ইম্ফাল ৱেষ্টনা শীন্দুনা পেরা লিগেল ভোলুন্টিয়র (পি এল ভি) শিংগী ওনলাইন কেপাসিটি বিল্ডিং প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা প্রোগ্রাম অসি জুবেনাইল জষ্টিস (ক্যের এন্দ প্রোটেক্সন ওফ চিলদ্রেন) এক্ট, ২০১৫, প্রোটেক্সন ওফ চিলদ্রেন ফ্রোম সেক্স্যুএল ওফেন্সেস (পোক্সো) এক্ট ২০১২ অমসুং মণিপুর ভিক্টিম কম্পেন্সেসন স্কিম, ২০১৯ হায়বসিগী মতাংদা পাঙথোকখিবনি।

প্রোগ্রাম অসিগী টোপিকশিং অসিগী মতাংদা ব্রহ্মচারিময়ূম সুপ্রিয়া, এদভোকেটনা স্পিকর অমসুং রিছোর্স পর্সন ওইনা ৱা ঙাঙখি। মহাক্না পোক্সো এক্টকী মতাংদা শন্দোক্না তাক্লদুনা এক্ট অসিগী মরী লৈনবা চহী, চৈরাক পীবা য়াবা ওফেন্স অমসুং পনিসমেন্টনচিংবগী মতাংদা ৱা ঙাঙখি। এক্ট অসিগা মণিপুরগী কন্টেক্সতা য়েংলুবদা জুবেনাইল জষ্টিস এক্ট অমসুং মণিপুর ভিক্টিম কম্পেন্সেসন স্কিমগা মরী লৈনবশিংসু এক্ট অসিগী মতাংদা শন্দোক্না তাকপদা থেংনরকপশিংগী মতাংদসু ফোঙদোকখি।

হায়রিবা ৱাফমশিং অসি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান তোঙানবা মফমশিং ওইরিবা চঙাঙ্গৈ, হাওৱৈবি, সেকমাই, ফয়েং, পাৎশোই পার্ট থ্রী, দি সী কমপ্লেক্স, রিমস কেম্পস, পেলেস কম্পাউন্দনচিংবা মফমশিংদা লৈরিবা লিগেল এইদ ক্লিনিকশিংগী খূৎথাংদা মফমশিং অসিগী মীয়ামদা লিগেল সর্ভিস পীনবা অমসুং মীয়ামদা এৱ্যের্নেস পীবদা পি এল ভিশিংনা লৌগদবা থৌদাংশিংগী মতাংদা পাঙথোকখিবনি।

...মখা লামায় ৩ কলম ৪

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ৩৩.৬২ °C
খ্বাইদগী ঈংবা ১৭.১৪ °C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ১.৩৮
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৪.২৯
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৬.০৮

HL Poll

Q: Curfew sangdokhallakpaga eroinana Covid protocolsing cheksinna ngakhannabagi thabaksu leingakna loukhatpham thoktabra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Yamna kanna hotnarabasu Covid positive hengatlakpa amasung shibasu leptribasi leingakki maikeida ahoba leibadagi oigadouribra?

Yes 80% No 20%

অস! লোইরেহে!

- করি তৌরি, নহারোলশা নখোয়?
- ꯀꯔꯤ ꯇꯧꯔꯤ, ꯅꯍꯥꯔꯣꯜꯁꯥ ꯅꯈꯣꯌ?



- নোং তানবা লাই খুরুম্মী, ওজাবু?
- ꯅꯣꯡ ꯇꯥꯟꯕꯥ ꯂꯥꯏ ꯈꯨꯔꯨꯝꯃꯤ, ꯑꯣꯖꯥꯕꯨ?

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫